# মুসু হীঙ্গৎহন্দ্রবদি এ-ব্লোক থীংজিনবা য়াওনা
# মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল জনুৱারি ১৬:* ষ্টেটসিদা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনা কাঞ্চিপুরদা লৈরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা তম্লিবা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেনট কয়াগী মহৈরোয়শিংগী ফংফমথোকপা হকশিং ফংহন্নবা মথৌ তৌহন-খিদ্রবা ‘‘মুসু’’ (মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন) অমুক হীঙ্গৎহন্দ্রবদি এময়ুগী এ-ব্লোক থীংজিনবা য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়না এম য়ুগী মুসু-আর দি সিগী মহৈরোয়শিংনা হায়রি।

ঙসি এময়ু কেম্পস্তা লৈবা বস ৱাইটিং সেদতা চথখিবা খোঙজং অমদা মুসু রীভাইভেল দিমান্দ কন্মিটিগী কনভেনর টিঐচ সুরেশনা ফোঙদোকখিবদা এময়ুদা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন হীঙ্গৎহল্লু হায়বসি মালেমগী অতৈ মফমদা চৎনবদুনি। মতম অমদা এময়ুদা মুসু লৈরম্মি। অদুবু মকোক থোংবশিংনা মহৈরোয়শিংগী হক মত্তুনা তৌনিং-তৌনিংবা তৌবা য়ানবা মুখৎখিবনি।

ভারতকী ওইনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইনা লৈরিবা জে এন য়ু, দি য়ু, অলীগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটি, পঞ্জাব, গৌহাটি, নেহু অমদি নগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিনচিংবা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নশিং লৈরি। অদুগা মালেমগী ওইনা ওক্সফোর্দ অমদি কেম্ব্রীজ য়ুনিভর্সিটিনচিংবদসু ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন লৈরগা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইনা লৈরিবা এম য়ুদা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন লৈবা য়ারোইদবগী মরম এম য়ুগী ভিসিনা অথুবদা শেংদোক্কদবনি।

হান্না হীংদুনা লৈরম্বা মুসুবু নৌহৌনা হীঙ্গৎহনবা ২০১৩গী দিসেম্বর ৯দা ভিজিটর প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া, য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর চীফ রীএক্তর গভর্নর ওফ ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভিসিদা চার্টর ওফ দিমান্দশিং পীশিন্দুনা খঙহন-খ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা এম য়ুনা চার্টর ওফ দিমান্দসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা খঙহন্দনা নাথৈদুনা লাক্লি।

এম য়ুদা হান্না লৈরম্বা মুসু করিগী হীঙ্গৎপা য়ারোইদৌরিবনো হায়রদুনা সুরেসনা মখাতানা হায়, থৌওং অসিদি এম য়ুগী ভিসিনা তৌনিংবা তৌবা য়ানবা চথবা থৌওংনি। মুসু হীঙ্গৎহন্দবনা ঙসিদি গোল্ড মেদল ফংলবা মহৈরোয় কয়াগী হক মৎপীরি। লোয়ননা স্কোলার মহৈরোয় কয়া ফেল্লোসিপ ফংহন্দ্রে। মখাতানা একাদমীক য়াওনা, ষ্টাফ ৱাৎপা, মহৈরোয়শিংগী ফংফম থোকপশিং পীবিদনা নমশিন্দুনা থম্বীরি।

মরম অদুনা মুসু রিভাইভেল দিমান্দ কন্মিটিগী দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিবা ফাওবা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিনগনি। অদুনা হৌজিক এম য়ুদা চথরিবা প্রাকটিকেল এগজামশিং অসি মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌগদবনি। খোঙজং মনুংদা থোরকপা অফ-ফত্তগী দাইত্যাশিং এম য়ুগী ভিসিনা পুগদবনি। কন্মিটিগী খোঙজংবু টিচিং অমসুং নন-টিচিংগা লোয়না স্কোূার অমদি লূপ কয়ানা শৌগৎপীয়ু হায়না আপিল তৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ঙসিগী ৱাকৎ খোঙজং অদুদা এম য়ুগী ওথোরিটিনা মুসু হীঙ্গৎহনবদা মরৈ-মরা তৌগনু। এম য়ুসি ভিসিগী মরমদম নত্তে। অদুনা ভিসিনা নিংথৌগুম সাসন তৌবা লেপ্পু। মুসু হীঙ্গৎহনবা হায়বসি অফবা এম য়ু অমগীদমক্তনি। মসিনা ঐখোয়গী দিমোক্রেটিক রাইটসনি। মরম অদুনা ভিসিনা মহৈরোয়শিংদা নমথাক তৌগনু হায়বা প্লে-কার্দ কয়া পাইখি। লোয়ননা ব্লেক বেজগা লোয়ননা অমুবা ফিরালশিং পাইদুনা মুসু হীঙ্গৎহন্নবা খোল্লাও কয়া লাওখি।

মখা তানা এ-ব্লোক তম্না মহৈরোয়শিংগী খোঙচৎ অমগা লোয়ননা মুসু হীঙ্গৎহন্দ্রবদি ভোৎ থাদবগী ভেল্লোট বোক্স থম্বগী কান্নদ্রে হায়রদুনা ভিসিদা পীশিনবা চৎখি।